# শজিক অকংবা শেন্বা



- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

লমদমসিদদি শা-ষণশিংদা পীজনবা মফম খরদনা শজিক মরাং কায়না ফংলি অদুগা মফম খরদনা শজিক ফংদবগী অৱাবা অমা ওইরি। অমরোমদনা নোংজু থা মতমদনা অমুক শজিক মরাং কায়না ফংবা অদুগা নিংথম থা মতমদনা শজিক্কী অৱাবা অমুক লৈরকপা য়াওরকই। অসিগুম্বা মতমসিদা শজিকশিংসি শিল্লগা শেন্বীবা নৎত্রগা শজিক অকংবা ওইনা থন্বীবা য়াই।

শজিক কংহনবা মতমদসু শজিক্কী মখোক অকনবা খুদম ওইনা হায়রবদা চুজাক্কী মখোক, চানাগী মখোক অসিনচিংবশিং অসি কনবনা মরম ওইদুনা কংবা ৱাৎলি। কংনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙই। অথোৎপা মখোকশিং খুদম লইনা হায়রবদা হুপ, ওট, কবো নাপী, তুজোন্বী অসিনচিংবা কয়া অসি কংহল্লগা থন্বীবা য়াই।

শজিক অকংবা হায়রগা কল্লিবা শজিক খুদিংমক শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি হন্থহল্লগা কংহনবদুবুনি। মসি কংলি'মতিক কোকফাই শুজা কাবগী চাং হন্থহনগনি অমদি কুইনা লীবা য়াই। কংহন্নবা কক্কদৌরিবা শজিকশিংগী ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা মাঙদনবা মপূং মরৈ ফাবগী মতমদসু মখা পোল্লি। ঙন্না শজিক কল্লগদি ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা য়াওবগী মশীং য়াম্মী অদুবু পোথোক্তি ৱাৎলি অদুগা থেংনা কল্লগদি ন্যুত্রেন্টকী চাং হন্থরগসু পোথোক হেন্না ফংই অদুবু অয়াম্বনা মপান লাক্লমদাইদা শজিক অকংবা শেম্নবা ককথৎপীগনি।

**অফবা অকংবা শজিক্কী মতিক ময়াই :**

- মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহল্লগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা ফংবা ঙম্মী। অদুবু থেংনা শজিকশিং কল্লগা শেল্লগদি শজিক্কী মখোকশিং কংশিল্লকপদা নত্তনা মরূ শেন্বদা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মরূরোমদা চৎখিগনি।

- অফবা মখলগী শজিক অকংবা ওইরগদি অকংবা পান্থীদুগী মনাশিং মশাদা তেক্তা কায়দনা লৈগনি। পান্থীগী অয়াম্বা ন্যুত্রেন্টশিং মনাদা লৈ। মনাশিং মখোক্তগী কেনখ্রগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙগনি।

- অকংবা শজিক্কী মনাশিং শংদুনা অদুম লৈরগদি মদু অফবা শজিক অকংবনি। মনাশিং কংহন্নবা হোৎনবদা অকংবা ময়াম অমা মাঙই।

- কংহনবা মতমদসু অথোৎপা মখোক/পান্থীনা ওইরগদি শাশিংনা চাবদা মহাও লৈনা চাবা ওইহল্লি।

- অকংবা শজিক শেন্বা মতমদা অতোপ্পা মখলগী চাবা য়াদবা পান্থী য়াওহনলোইদবনি।

- অকংবা শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি চাদা ২০-২৩ ফাওবা লৈগনি। মনিলগী চাং ৱাংলগদি পথ্-পুমথরকপগী চাং ৱাংনা লৈগনি।

- অফবা শজিক অকংবদা উফুল-ৱাইফুল পকহনবীরোইদবনি অমদি নুংশিবা মনম চেলহন্দুনা মহাও লৈহনগনি।

**অকংবা শজিক শেন্বা :** - অকংবা শজিক শেম্নবগীদমক থাগদৌরিবা মফমদু লৈবাক লৈহাও নিংথিনা ফবা ওইগনি। থাগদৌরিবা মরূদুসু মফমদুগী মতুং ইন্না হুনগদবদুদগী হেন্না হুনবীগনি। মসিনা কুংনা হৌরবনিনা মখোয়সু থোৎনা লৈগনি।

- শজিক ককপা লোইরগা কংহনবা মতমদা শজিক্তা য়াওরিবা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙদনা লৈহন্নবা হোৎনবীগনি অমদি মনিলগী চাংসু কা হেন্না য়াওদনবা অমদি অহেনবা মনিল য়াওরগদি পথ্ পুমথহনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। কংহনবা মতমদা মনাশিংদু কেন্দনবা হোৎনবীগনি। মনাদা প্রোটিনগী চাংসি চাদা ৭০ দগী হেন্না য়াওই অমদি কেরোটিনগী চাংসু চাদা ৯০গী মথক্তা য়াওই।

- কংহনবা মতমদসু ন্যুত্রেন্ট খরদি অদুম মাঙখি। অদুবু কংহনবা মতমদা মৈশা হেন্না পীবা নৎত্রগা মনিলগী চাংসি হন্থনা লৈত্রগদি মসিদসু ন্যুত্রেন্টগী চাং হন্থহল্লি। নোংজু থা মতমদসু নোংনা মরম ওইদুনা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙহল্লি। কংহনবা মতমদা মনা শংলিমখৈ কেরোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওবগী শক্তমনি।

- শজিকশিং কংহনবা মতমদা কংই কংদে খঙননবা অরায়বা মওং অমদা কংহনলিবা পান্থী অমা লৌবীরগা য়োৎপী অমনা মখোক্তু হুইগৎ হুইথা তৌবা মতমদা মখু কোনলকপা তারগদি মদু কংবা য়াওদ্রিবনি হায়না লৌবীগনি অদুগা অতোপ্পা অমনা পান্থী খরা লৌরগা খুবাক্তা হাপ্লগা শুরু শুরু নৈবা মতমদা মহি খরা থোকপা উরগদি মদুসু মনিলগী চাং ৱাংনা লৈরি হায়না লৌবগা লোয়ননা খরা শাংনা কংহনবীগনি।

- কংবা লোইরবা তুংদা মফম চানা পুল্লগা শা-ষণশিংদা পীজবীগনি।

**কংহনবগী মওং :**

**১) মফমদুদা কংহনবা** - শজিকশিং ককপা লোইরবা তুংদা অমুক মফমদুদা অদুমক কোনশিল্লগা থন্বীগনি। শজিক ককপগী মতম অমদি লিক্লা তাশিনবনা ক্বালিটিদা অশোয়বা য়াওরকই। কল্লবা শজিকশিংদু মপূন মপূন পুল্লবা তুংদা নিংথিনা কংহনবসু য়াই। অদুবু কংহনবগী মতমদা মনাশিং কেনবগী চাং য়াম্না ৱাংই অমদি কংহনবা মতমদা কেরোটিনগী চাংসু হন্থহল্লি অমদি মনিলগী চাংসু চাদা ৪০ দুমক লৈগল্লি। অসিগুম্বা শজিক কংলি কংলি লাওরবদি মকোন মকোন কোনশিন্দুনা অমুক মখা তানা কংহনবীগনি।

**২) মকোন্দা কংহনবা** - কাবক কাবক কংলবা শজিকশিং মকোন মনুংদা শগাই শারগা থমদুনা কংহনবীবসু য়াই। মসিদা নুমিৎ ৭-১৪ ফাওবা নুংশিৎনা কংহনবদা চংই। অসিগুম্বা অকংবা শজিকশিং অসি শংদুনা অদুমক লৈ।

**৩) খূৎশেমগী কংহনবা** - খূৎশেমগী অশাবা নুংশিৎ শীজিন্নদুনা শজিক ময়াম অমসু কংহনবা য়াই। অদুবু মসি য়াম্না চাউনা তৌরগদি কান্নবা কয়া ফংদে।

**৪) মতুম তারগা শেন্বা** - শজিক ময়ামসি মতুম তানবা মেছিন্দা মতুম মতুম তারগা কংহনবা য়াই। মসিনা পুথোক পুশিন তৌবদা মতম চংহন্দে, থবক তৌশিনবগী মী মশীং হন্থহল্লি, ন্যুত্রেন্ট হন্থহন্দে, উফুল-ৱাইফুল কয়া পক্তে।

মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহনহৌরগদি তুং কোয়না মতম শাংনা শজিক ৱাৎলকপা মতমদসু পীজবীবা য়াই অমদি শজিক ফংদবা মফমদসু পুরগা পীজবা য়াই। ●

# লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপগী তঙাইফদবা

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙবা মচাকশিংগী মনুংদা লৈবাক লৈহাও চেনবা লৌফম হায়বসিসু অমনি। লৌফমশিং অসিদগী হৌরিবা পান্থীশিং মপূং মরৈ ফানা চাউদুনা পোথোক পুথোক্লবগীদমক মখোয়না মথৌ তাবা মচীঞ্জাকশিং লৌফমদগী লৌথোকখি। অমরোমদা অমুক পান্থী অমনা শাহৌ ফনা মপূং মরৈ ফানা হৌনবগীদমক চান্নবা অশিন-অয়াক অমদি পান্থী অদুনা হেন্না মথৌ তাবা মচীঞ্জাকশিং ফংহনবা হায়বসি তঙাইফদে। মরম অদুনা লৌফম অদুগী অশিন-অয়াক, পান্থীগী মচীঞ্জাক্কী মখল অমদি চাং খঙবিরগা চান্নবা মহৈ-মরোং খনবীদুনা থাবীরবদি শেন্থোক হেন্না লৈহল্লি। পান্থীশিংনা লৌফমদগী লেপ্পা লৈতনা লৌথোক্লিবা মখোয়গী মচীঞ্জাকশিং অমদি ঐখোয়না লৌফম অদুদা পীরিবা পান্থীগী মচীঞ্জাকশিং অসিনা মরম ওইদুনা লৌফমগী হান্না ওইরম্বা ফীভমদগী অওনবা কয়া অমা পুরকই। মরম অদুনা লৌফম অদুদা পান্থীশিংনা মথৌ তাবা মচীঞ্জাক মখল শুনা অমদি চাং চানা য়াওরিব্রা খঙদোক্লবা, লৌফম অদুবু লৈহাও লৈবা লৌফম ওইহনবদা শোয়দনা য়াওদবা য়াদ্রবা মীৎনা উবা অমদি উদবা অহিংবা জীব কয়াগী মচীঞ্জাক ওইগদবা অহিংবা পোৎলম/জীবশিংনা শিরগা পথৎ-পুমথরগা ওইরকপা ওর্গানিক মেট্টর/ওর্গানিক কার্বোন য়াওবগী চাং খঙদোক্লবা, লৌফম অদুদা পান্থী মখল অসি থাবদা পক্লে/পক্লদে লেপ্পদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা লৌফম অদুগী অশিন-অয়াক খঙদোক্লবগীদমক লৌফম অদুগী লৈবাক লৈশাবু চাংয়েং শঙদা চাংয়েং তৌথোকপবু সোইল টেষ্টিং (লৈবাক লৈহাও চাংয়েং) তৌবা কৌই। তশেংনা হায়রবদা পান্থী অমনা হৌবদা ওইফম থোকপা ফীভম অমদি মচীঞ্জাক্কী খল কায়দনা লৈরিব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা চাংয়েং তৌথোকপনি। হৌজিক্কী মতমদদি লৌউ-শিংউবগী শিনফম অসি পায়খৎপদা পান্থীশিংদা মচীঞ্জাক পীনবগীদমক অমদি ফংফম থোকপা পোথোক অদু পুথোক্লবগীদমক তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইরে।

**লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবগী পান্দম :-**

১) লৌফম অদুগী লৈহাওগী চাং খঙদোক্তুনা করম করম্বা পান্থীগী মচীঞ্জাকশিং কয়া য়াম্না য়াওরি অমদি পান্থীশিংনা মথৌ তাবা চাং অদু পীবা ঙল্লিব্রা/ঙমদব্রা খঙদোকপনি।

২) লৌফম অদু অশিনবা/অয়াকপনা মরম ওইদুনা পান্থীশিংনা হৌবদা খুদোং চাদবা মফম অমা ওইব্রা খঙদোকপনি।

৩) খেন্নবা পান্থী মখলশিংদা চাংয়েংগী ফল অদু য়েংলগা ষন্থি-ষণয়ুং অমদি খূৎশেমগী হার কয়া য়াম্না চাইগদবগে হায়বদু খঙদোক্লবনি।

৪) অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিন্দনবগীদমক অহেনবা খূৎশেমগী হার শীজিন্নদনবনি।

৫) করম্বা পান্থী মখলশিং ঐখোয়গী লৌফমগা হেন্না চান্নবগে খঙদোক্লবনি।

৬) লিশাং শিংনা লৌউবা য়াবা মফম অমা ওইহনগদবনি।

**করিগীদমক লৈবাক-লৈহাও চাংয়েং তৌগদৌরিবনো?**

ক) চাং নাইনা, মতম চানা চাংয়েং তৌথোকপনা লৌফম অদুগী লৈবাক অসি মশা শোকচিল্লে/শোকচিন্দ্রি হায়বদু খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা মতম চানা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎপা ঙমহল্লি। মশা শোকচিল্লক্কদৌরবা লৌফম্বু মতম চানা লায়েংহৌবনা মশা শোকচিনখ্রবা মতুংদা হান্নগী ফীভমদা হন্থহন্নবা হোৎনবদগী হেন্না লায়। লৈহাও চেনবা লৌফম হায়বসি তোঙান তোঙানবা পান্থীগী মচীঞ্জাক মখলশিংনা খল চানা য়াওবগা লোয়ননা পান্থীগী মচীঞ্জাকশিং অসিবু পান্থীনা লায়না ফংহনবদা মতেং পাংবা অহিংবা জীবশিং মতিক চানা য়াওবা অমদি লৈবাক্কী লৈরিকশিং অদু পান্থীনা শাহৌ ফনা হৌবদা মতেং পাংবা ঙম্বা মওং ওইগদবনি। হায়রিবশিং অসি খঙদোক্কে হায়রবদি চাংয়েং তৌথোক্তবা য়াদে অমদি ফংলিবা ফল অদুগী মতুংইন্না পায়খৎফম থোকপা থৌরাংশিং পায়খৎলবতদা লৌফম অদুগী লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবা ঙমগদৌরিবনি।

খ) চাংয়েংগী ফল অদুনা লৌফম অদুগী লৈবাক্লা ঐখোয়না তাগদৌরিবা পান্থীশিং অদুদা পান্থীনা মথৌ তাবা মচীঞ্জাক কয়া য়াম্না পীবা ঙমগনি খঙদোক্লবা মতুংদা ঐখোয়না পীগদৌরিবা মচীঞ্জাকশিং অদু কদায় ফাওবগী চাংদা ঐখোয়না কান্নবা পীবা ঙমগনি য়েংলগা করম-করম্বা মচীঞ্জাকশিং কয়া য়াম্না চাইগনি লেপথোক্লগা হার চাইরবদি মরম চাদনা অহেনবা হার লৈবদা তিংগদবা শেলদগী কনবা ঙমগনি। অমরোমদা অমুক লৌফম অদুদা চাং য়াম্না নেম্না লৈরবা পান্থীগী মচীঞ্জাক মখল অমবু মাগী পীফম থোকপা চাং অদু য়ৌনা পীদবীদা অতোপ্পা পান্থীগী মচীঞ্জাকশিং ফনা য়াম্না চাইরবসু পোথোক হেনগৎহনবা ঙল্লোই। অসুম তৌবনা লৌমীশিংবু শেন্থোক হন্থহনগনি। মরম অদুনা চাইফম থোকপা হারগী মখল অমদি চাং চানা চাইবনা হার লৈবদা চঙগদবা অহেনবা শেনফম হন্থহন্দুনা শেন্দোং হেনগৎহল্লি।

গ) চাংয়েং তৌদনা হার পঙচাইদা চাইবনা লৌফম অদুদা লৈগদবা পান্থীগী মচীঞ্জাক্কী ওইফম থোকপা খল কায়রক্তুনা লৌফম অদুগী লৈহাও লৈবগী চাং হন্থহল্লি। অহেনবা পোথোক পুথোক্লবগী পান্দমদা খূৎশেমগী হার য়াম্না চাইবনা লৌফম অদুগী হান্নদগী লৈবা অশিন-অয়াক্কী খলদা কায়হল্লক্তুনা হেন্না শিনবা/য়াকপা লৌফম ওইহল্লকই। অসুম্না লিশাং শিংনা চথ্থরকপনা লৌফম অদুদা লৈগদবা লৈহাও চেনহনবদা মতেং পাংবা মীৎনা উবা/উদবা অহিংবা জীবশিংগী মশীং হন্থহল্লক্তুনা লৈহাও লৈতবা লৌফম ওইহল্লকই। লৈবাক লৈহাও কন্নবগীদমক লৌমীশিংনা পায়খৎফম থোকপা থৌরাং পায়খৎপা হায়বসি লৈহাও চাংয়েং তৌদনদি খঙবা ঙল্লোই।

ঘ) লৈহাও চেনবা লৌফম লৈবা লৌমীশিংতনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগদৌরিবনি। পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্বা লৌফমনি নত্তে হায়বদু চাংয়েং তৌথোক্লবতদা খঙবা ঙমগনি।

লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপসিনা লৌমী অদু খক্তদা কান্নবা পীবতা নত্তনা ঐখোয়গী অকোয়বগী খলদসু য়াম্না কান্নহল্লি। চাংয়েং তৌথোক্লগা ফংবা ফলগী মতুংইন্না পান্থীশিংদা মচীঞ্জাক পীরবদি ঐখোয়না পীরিবা পান্থীগী মচীঞ্জাকশিং অদু অরেম্বদা মাঙবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। অসুম্না লৌউ-শিংউবগী শিনফম্না মরম ওইরগা ঐখোয়গী অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎতা মোৎশিনবগী চাং অসি লৈবাক লৈহাও তৌথোকপনা হন্থহল্লি।

অমরোমদা অমুক হাপফম থোকপা চাং অদু য়ৌনা হাপত্রগনা পান্থীশিং শাহৌ থিলহল্লি অমদি মহৈ লোকখ্রগা পান্থীগী লেমহৌখাক মরাং কায়না থল্লমদবনা মরম ওইদুনা ঈশিং অমসুং নুংশিৎনা লৈবাক লৈহাও মাঙহনবদা মতেং পাংই। অমরোমদা অমুক হার খল কায়না চাইবনা লৌফম অদু লায়না-তীলনা তোয়না তাহন্দুনা লায়না অমদি তীলনাগী হীদাক য়াম্না শীজিন্নদবা য়াদবদগী অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎনা তীল/লায়না হীদাক য়াম্না য়াওহন্দুনা মীওইবা অমদি অতোপ্পা জীবশিংদা অচৌবা চৈথেং পী।

লৌউ শিংউবগী লম্‌দা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবদা লৈবাক লৈহাওনা লৌরিবা থৌদাং অসি চাদা ৬০ রোম ওই। মরম অদুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা মীপূম তিংনা চাবা কোন্নবা পোথোক পুথোক্লবগীদমক অমদি লৌমীশিংনা শেন্থোক হেনগৎহন্নবগীদমক মতম মতমগী চাং নাইনা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীয়ু। লৈহাও ফনা থমদুনা মীওইবা অমদি লেংলি পাল্লিবা পূম্বা কুইনা হিংবা য়াবা মফম অমা ওইনবগীদমক লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীয়ু। ●

# মলচিং অমদি ক্লাইমেট স্মার্ট রেজিলিএন্ট এগ্রীকলচর অনীগী মরী

- লোংজম বোরিস -

হেনগৎলক্লিবা মালেমগী মীশিং অসি কোন্নবা মওংদা চানবা চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোকপা তঙাইফদে। মরম অসিনা লৌউ-শিংউবদা রসায়নগী হীদাক, সিন্থেটিক ফর্টিলাইজর, ঈশিং শীজিন্নবগী মওং অমদি ফোসিল ফ্যুএলশিং শীজিন্নবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি। য়ুনাইটেদ নেশন্স কনভেন্সন টু কোম্বেট দিজর্টিফিকেশন (য়ু এন সী সী দি) না পীবা পাউগী মতুংইন্না মালেমদা $CO_2$ খ্বাইদগী চাং ৱাংনা পুথোকপদা ইন্দষ্ট্রিএল সেক্টরগী মথংদা এগ্রীকলচর সেক্টরনা ওইরি (১৯.৯%)।

ফৌ পান্থীনা অতোপ্পা পান্থীশিংগা য়েংনবা মতমদা $CO_2$ থাদোকপগী চাং শরুক ২.৬ হেল্লি। মসি চরূ মৈ থাবা অসিনা হেনগৎহল্লি। হায়রিবা মরমশিং অসিনা ক্লাইমেট স্মার্ট এগ্রীকলচর পায়খৎপা তঙাইফদে।

**ক্লাইমেট স্মার্ট এগ্রীকলচর অমদি মলচিং :-** ক্লাইমেট স্মার্ট এগ্রীকলচর হায়বা অসি মতম অমত্তদা লৌউ-শিংউবা, উমং কোকথোকপা, শা-ষণ লোয়বা অমদি ঙা য়োক্তুনা চীঞ্জাক ৱাৎপা অমদি মালেমগী হোংলক্লিবা অঈংং-অশা অসিবু থেংনবা অসিবু খঙনৈ।

মালেমগী ওইনা গ্রীন হাউস গ্যাস হন্থহনবা অমদি চীঞ্জাক মরাং কায়হনবদা ক্লাইমেট স্মার্ট রেজিলিএন্ট এগ্রীকলচরগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মথক্তা পনখ্রিবা পান্দমশিং অসি ফংনবা হোৎনবদা মলচিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

মলচিং হায়বা অসি লৈবাকপু অকনবা নৎত্রগা খরা কনশিল্লক্লবা পান্থীগী মনা, মখোক, নাপী, মশা, হৌরম্বা পান্থীগী অরেম্বশিং অমদি উকুপশিংনা কুপশিনবা অসিবু খঙনৈ। মলচ হায়বা ৱাহৈ অসি জর্মন ৱাহৈ "molsch" হায়বা ৱাহৈ অসিদগী হৌরকখি। পান্থীগী অরেম্বা পোৎচং খক নত্তনা পোলিথিনসু মলচিংদা শীজিন্নে।

মলচিং তৌবা মতমদা শীজিন্নবা পোৎচংদা চেনগদবা মগুণশিং :

১) মলচ ওইনা শীজিন্নগদৌরিবা পোৎচঙ অদু য়াম্না কা হেন্না লূমদবা, অকঙবা অমদি থুনা পথ্থবা পোৎচঙ ওইগদবনি। ইশাগী ইঙ্খোল অমদি ফার্মদা হৌজবা পোৎ চৈনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

২) মলচিং তৌবিবা মতমদা ওর্গানিক ওইবা মওংদা পান্থীগী অরেম্বা, শা-ষণগী অরেম অখাক্লচিংবশিং নৎত্রগা ইনওর্গানিক ওইবা মওংদা প্লাষ্টিক ফিল্মস অমদি পোলিমর ফিল্মশিং শীজিন্নবীবা য়াই।

৩) ওর্গানিক ওইবা মলচ শীজিন্নবদা তোঙান তোঙানবা পোৎচঙ সী:এন রেসিও খেন্নবগী মতুংইন্না পথ্/কায়থবগী চাং মান্নদে। সেসবানিয়া, সনহেম্প মলচ শীজিন্নবা মতমদা থুনা কায়থৈ অমদি চরূ অমদি উ-মকুম শীজিন্নবনা তপ্লা পথ্ পুমথবা থোকই ( সী:এন ৱাংবা মরম্না)। লৈবাক লৈহাও ইরোজন ফহনবগী ওইনা সী:এন ৱাংবা পোৎচঙ শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ।

৪) নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংনা য়াওবা পোৎ চৈশিংনা হেন্না থুনা কায়থৈ।

৫) মলচিং তৌবীবা মতমদা ফৈদোম চিংখৎলগা তৌবা মলচিং অমদি চিংখত্তনা তৌবা মলচিং অনী য়েংনবদা ঈশিং মনীং ওন্দুনা ঈশিং মাঙবা হন্থনবা অমদি ঈশিং কুইনা তুংদুনা লৈবা ফৈদোম চিংখৎতুনা শেন্বা মলচিংনা হেল্লি।

ক্লাইমেট স্মার্ট রেজিলিএন্ট এগ্রীকলচরদা মলচিংগী থৌদাং :

১) সেন্টিমিটর ৫-১০ থানা মলচিং তৌবীবনা ঈশিং ইনিল ওন্দুনা মাঙখিবদগী কনবীবা ঙম্মী অমদি নাপী হৌবগী চাং হন্থহল্লি। মলচিং তৌবা মফমনা মলচিং তৌদবা মফমদগী ঈশিং ইনিল ফাজিনবা অসি ১০% হেল্লি। মলচিং তৌবা মফমদা ঈশিং ড্রিপ নৎত্রগা স্প্রিঙ্কলর শীজিন্নদুনা চাইবীবা অমদি ঈশিংদা তুম্বা হার শীজিন্নবনা পান্থীদা হেন্না কান্নবা হেনগৎহল্লি।

২) হোংলক্লিবা মালেমগী অঈংং অশানা পুরকপা হিট ৱেভ/কোল্ড ৱেভশিংদগী ঙাকথোকপদা মলচিং শীজিন্নবনা কালেনগী মতমদা পান্থীগী মাইক্রোক্লাইমেট ১-২°সী য়ৌনা অশাবা হন্থহল্লি অমদি নীংথমথাগী মতমদা পান্থীগী মাইক্রোক্লাইমেটকী অকোয়বদগী শানা লৈহল্লি। আলু থাবদা মলচিং তৌবনা আলু মতোন চোংবা হেল্লি। খোংদ্রুম, তোর্ব্বোট থাবা মতমদা মলচিং তৌবনা মপান শাবা হন্থহনবা অমদি মহৈ পানবা হেনবগী রিপোর্ট লৈ।

৩) মলচিং তৌবনা নাপী হৌবগী চাং হন্থহল্লি। মসিনা নাপী হীদাক শীজিন্নবগী অমাঙবশিং হন্থহল্লি। নাপী হীদাক শীজিন্নবনা লৈবাক লৈহাওদা লৈবা তিন্থ্লোক অমদি অতোপ্পা কান্নবা মাইক্রোবশিং শিবগী চাং মলচিং শীজিন্নবনা হন্থহনবা ঙম্মী। সেন্টিমিটর ৫-১৫ থানা মলচিং তৌবীবনা নাপী মরূদা নুংশিৎ নুংশা ফংহন্দদুনা নাপী হৌবগী চাং হন্থহল্লি। পরি অমদা মলচিং 10t গী চাংদা শীজিন্নবা য়াই।

৪) মলচ শীজিন্নরিবা পোৎচংনা কায়থদুনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা মাইক্রোবস অমদি তিন্থ্লোক য়োকখৎতুনা ওর্গানিক কার্বোন চাং ৱাংখৎহল্লি। শম্পোৎ খোইবা মতমদা ওক্সিদেশন থোক্তুনা মাঙবা ওর্গানিক কার্বোন মলচিং শীজিন্নদুনা কনবা ঙম্মী। মলচিং তৌবীবনা লৈবাক্তা য়াওবা ওর্গানিক কার্বোন ৩% য়ৌনা হেনগৎহনবা ঙম্মী।

৫) মলচ শীজিন্নবা মফমদা মহৌশানা ঈশিং ঈনিল য়াওবা, ওর্গানিক কার্বোন অমদি পান্থীনা মথৌ তাবা মচীঞ্জাকশিং য়াওবগী চাং ৱাংই। হায়রিবা মরমশিং অসিনা পোটাসিয়ম ফংবগী চাং হেনগৎহল্লি। অমরোমদা মলচ তৌবা মফমদা নাইট্রোজেন য়ুজ ইফিসিএন্সি ৯% য়ৌনা হেনগৎহল্লি। লৈবাক্কী লৈমায় কনশিনহনবা হন্থহল্লি। মলচ শীজিন্নবনা আলু, য়াইঙং, শীংগী পোথোক হেনগৎহল্লি।

মলচিং মায় পাক্না পায়খৎপা মতমদা পান্থীগী অরেম-অখাক মরাং কায়না লৈবা তঙাইফদে। নীংথিনা শেম শাদুনা থন্বীদ্রবদি তীল, কককচেং অমদি অতোপ্পা পান্থীদা অমাঙবা পীবা য়াবা মরম অমা ওইরকই। সী:এন ৱাংবা পোৎচং শীজিন্নবনা এন পান্থীদা ফংহনবগী চাং হন্থহল্লি। মরম অসিনা নীংথিনা শেম শাদুনা মলচিং তৌবীবনা লৌমী ঈচিল ইনাওশিংনা কান্নগনি। ●

# ঘোষ্ট ফিশিং

- ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ -

ঙা ফাবদা শীজিন্নরিবা লাং নৎত্রগা ঙা ফাবদা শীজিন্নরিবা খূৎশু খূৎলায়শিং খুদম ওইনা হায়রবদা লূগুম্বা ময়াম অসি ঈশিংদা তাদুনা লৈরবদি ঙা ময়াম শিবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। করিগুম্বা ঙা ফাবা চৎলিবা ঙামী অদুনা মহাক্না শীজিন্নরিবা লাং অদু শেগাইরে নৎত্রগা করিগুম্বা পোৎশক অমদা পন্দুনা লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়দুনা অদুম থল্লম্বা তারবদি মদুদা ঙা কয়া চঙলুবদগী থোক্লকপা ঙমদদুনা শিগনি হায়রিবা থৌওং অসি লাং অদুনা পৎতুনা তুমদ্রিবা ফাওবা অদুম চথ্দুনা লৈগনি। মরম অদুনা ঙা কয়া ঐখোয়না চাবগী ওইনা শীজিন্নবসু নত্তবদা অদুম শিজখিগনি। হায়রিবা থৌওং অসিবু ঘোষ্ট ফিশিং হায়না খঙনৈ। থৌওং অসি অচৌবা ঈশিং হায়বদি সমুদ্রগুম্বদনা হেন্না থেংনৈ।

সমুদ্রদা ঙা ফাবা চৎলিবা ঙামীশিং অসিনা শীজিন্নরিবা লাং/লূশিং অসি মাঙখিবা নৎত্রগা তাহৌবা নৎত্রগা শেগাইবদগী শীজিন্নবা য়াররোই হায়দুনা হুন্দোক্লম্বা তারবদি চহী কয়া কয়া ঙা শিহন্নবগী থৌওং অমা ওইহল্লি। থৌওং অসিদা শিহল্লিবসি ঙাখক নত্তে, মেরিন মম্মেলস, উচেকশিং অমদি থেঙ্গুনচিংবা অতোপ্পা কান্নরবা নৎত্রগা অতাঙবা জীব কয়াসু মশীং থিঙমদনা য়াওরি ।

ঘোষ্ট ফিশিংগী থৌওং অসি ঐখোয়গী লমদম অসিদসু য়াম্না তোয়না থোকপা থৌওং অমনি। খুদম ওইনা হায়রবদা লোক্তাক পাৎতা লাং থাকপা মতমদা মাঙখিবা কয়া থেংনবীরমগনি নৎত্রগা লাং কয়া শেগাইরে, শীজিন্নবা য়াররোই হায়দুনা থল্লম্বা কয়াসু য়াওরমগনি। হায়রিবা লাংশিং অসি পৎতুনা মাঙখিবা মতমদা য়াম্না কুইনা চঙবা মরম্না লাংশিং অসিনা লৈরিবা মখৈ ঙা নৎত্রগা অতোপ্পা জীব কয়া অদুম শিহন্নবগী মচাক অমা ওইহল্লি।

অতোপ্পা খুদম অমা পল্লবদা মফৌ রিজার্ভর অসি উ কয়া হৌরম্লগা ঈশিংনা থুমজিন্দুনা ওইখিবনিনা, হৌজিকসু ঈশিং মনুংদা উ কয়া লৈরি। মসিগুম্বা উশিং অসিদা পন্দুনা লৈবা লাং কয়াদা ঙা অমদি অতোপ্পা জীব কয়া শিহন্নবগী মচাক অমা ওইরি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয় মীওইবশিং মরু ওইনা ঙা ফাবা চৎলিবা মীওইশিংনসু উরুবা নত্তবনিনা কয়া থৌশানদে। হায়রিবা লাংশিং অদু উশিং অদুদা পন্দুনা লৈবনিনা ঈশিং ময়েং তাখিবা মতমদনা মফম অদুদা চাক্তাবা লাকপা উচেকশিংবু শিহন্নবগী মচাক অমুক ওইহল্লি।

হায়রিবা থৌওং অসিনা অতাঙবা জীব কয়া মুৎখিনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইরি। সমুদ্রগুম্বা অচৌবা ঈশিংদা থোকপা ঘোষ্ট ফিশিংগী মরমদদি করম্না থোকহল্লোইদগে, করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বনচিংবা য়াম্না থেংনৈ। মরমদি হায়রিবা মফম অসিগী ফিসরিজ অসি য়াম্না ওর্গনাইজদ ওইবা অমদি ফিশিং রিগুলেসন ফজনা চৎনবননি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী লমদম অসিদদি ফিশরিজগী রিগুলেসনশিং ফজনা চৎনহনবা ঙমদবা অমদি অপীকপা ঈশিংশিং খুদম ওইনা হায়রবদা লোক্তাক পাৎ নৎত্রগা মফৌ রিজার্ভর হায়রিবা মফম অসিদা চথ্থরিবা ঙা ফাবগী থৌওং অসি ফজনা ওর্গনাইজদ ওইবা থৌওং ওইদবা মরম্না ঘোষ্ট ফিশিং অসি ঙাকথোক্লবগী থৌরাংশিং লৌখৎপদা খুদোংচাবা খরা ৱাৎকনি।

ঘোষ্ট ফিশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা পান্বে খরা থমজরবদা -

১) ঙা ফাবদা শীজিন্নরিবা লাংশিং/লূনচিংবা শেন্বদা শীজিন্নরিবা মচাকশিং অদু প্লাষ্টিক্কুম্বা নত্তবা খরা থুনা পথ্থবা ঙম্বা পোৎশকশিংনা শেন্বা ওইগদবনি।

২) ঙা ফাবা চৎখিবা মতমদা পুখিবা লাংশিং অদু হল্লকপা মতমদা অমুক পুরকপ্রা হায়না চেক তৌবা।

৩) ঙা ফাবগা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী লীচিং মখাদা ঙামীশিং অমদি ঙা ফাবগী থবক্কা মরী লৈনবা মীওইশিংবু ঘোষ্ট ফিশিংগী মরমদা খঙহনবীবগী তঙাইফদবসু লৈরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।